# অঙাং ১৪০ হেন্না শিখিবগী মতাংদা পাউখুম পীরক্নবা সেন্টর অমসুং বিহার গভর্ণমেন্টতা নুমিৎ ৭নি মতম পীখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** মুজাফরপুরদা অঙাং ১৪০ হেন্না শিখিবা অদু একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম (এ ই এস) অমসুং জপানিস এন্সেফলাইটিস (জে ই) লাইচৎ শন্দোরকখিবা লাক্সিন্নবা হোৎনখিদবা অমসুং থওইখিদবগী হকথেঙনবা ফল অমনি হায়না মরান শীরকখিবা ৱাকৎ অমদা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং বিহার গভর্ণমেন্টশিংদা মদুগী পাউখুম পীনবা নুমিৎ ৭নিগী মতম পীখ্রে।

লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েনশঙ অদুনা হীরম ৩– ন্যুট্রিসন লেভেল, মেদিকেল ফেসিলিটিজ অমসুং হায়জিন লেভেলগী মতাংদা পাউখুম পীরক্নবা পার্টি অনীমক্তা পাউতাক পীখি।

বিহার হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মতূং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট ৪০গী মনূংদা দিষ্ট্রিক্ট ২০দা এ ই এস লাইচৎনা শোকহনখি। জুন ১গী মতূংদগী লাইনা অসিনা অঙাং ৬০০ হেন্না নাখি। লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা মুজাফরপুরদা হৌজিক ফাওবদা অঙাং ৪৩০ হোস্পিটালদা লায়েঙখিবা অদুগী মনূংদগী ১২৯ শিখ্রে।

লাইচৎ অদু লাক্সিনবদা ষ্টেটনা য়াম্না পীকপা অরানবা খরা তৌখিরম্বা য়াই হায়না হান্না ফোঙদোকখিবা মুজাফরপুর লোমেকর অজয় নিশাদনা সুপ্রিম কোর্টকী নোটিশ অদুগী পাউখুম মাগী গভর্ণমেন্টনা পীগনি হায়খি।

হৌজিক নোংজু থা লাকখিবগা লোয়ননা ফিভম ফগৎলকখ্রে অমসুং অনৌবা অনাবগী মশীং হন্থরকখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অঙাংশিং শিখিবা অদু বিহার, উত্তর প্রদেশ অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী গভর্ণমেন্টশিংনা চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লিবা এন্সেফলাইটিস লাইচৎকী ফিভম লাক্সিনবদা থৌশাদবা অমসুং থবক তৌদবগী হকথেঙনবা ফল অমনি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অদুনা হায়খি।

# এন্সেফলাইটিসকী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর, বিহার হেল্থ মিনিষ্টরগী মথক্তা থিজিন্নবা মেজিষ্ট্রেটনা য়াথং পীখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** মুজাফরপুরদা একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম (এ ই এস)না মরম ওইদুনা অঙাংশিং শিখিবা অদুগী মতাংদা থৌশাখিদবগীদমক মখোয়গী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্শ বর্ধন অমসুং বিহার হেল্থ মিনিষ্টর মঙ্গল পান্দেগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন অমা চখনবা মুজাফরপুর চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট সূর্য্যকান্তা তিৱারিনা ঙসি ওর্দর তৌখ্রে।

এন্সেফলাইটিসকী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল লৌশিং তাহন্নবা মতিকচাবা খোঙথাং পায়খৎখিদে হায়বগীদমক সোসিয়েল ৱার্কর তামন্না হাশমিনা হৌখিবা চয়োলদা হর্শ বর্ধন অমসুং মঙ্গল পান্দেগী মথক্তা কেস অমা থাঙ্গৎখি।

এন দি এ মিনিষ্টর ২ অদুগী থৌশাদবা মরমদগী ষ্টেট অসিদা লায়চৎ অদু লাক্সিনখিদবনি হায়না ৱাকৎ অদুদা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অদুনা হায়খি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর অমসুং ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর ২ অসি ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সি)গী সেক্সন ৩২৩ (ভলন্টরিলি কোজিং হর্ট), ৩০৮ (কলপেবল হোমিসাইদ) অমসুং ৫০৪ (শান্তিগী ফিভম কায়হন্নবগী অনীংবগা লোয়ননা অতম্নবা ঈকাইবা পীবা)গী মখাদা কেস লৌখৎখি।

মখোয় করিগুম্বা আই পি সিগী সেক্সন ৫০৪গী মখাদা কনভিক্সন ফংবা তারবদি চহী ২গী জেলগী চৈরাক নৎত্রগা ফাইন, নৎত্রগা অনীমক্কী চৈরাক ফংনিঙাই ওই।

একুজ অদু আই পি সিগী সেক্সন ৩০৮কী মখাদা কনভিক পীবা তারবদি চহী ৩গী জেলগী চৈরাক অমসুং আই পি সিগী সেক্সন ৩২৩গী মখাদা চহী ১গী জেলগী চৈরাক ফংনিংই ওই।

মসিগী মমাঙদা ঙসিমক সুপ্রিম কোর্টনা অঙাংশিং শিবগী ৱাথোক অদুগী মতাংদা বিহার গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্টরদগী নুমিৎ ৭নিগী মনূংদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রবনি।

# হরিবন্সপুরগী শাওরবা খূঞ্জাশিংনা এম এল এ তানখ্রে




***বৈশালি, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** শাথিনা ঈশিং তাংবা অমসুং হৌজিক ফাওবদা অঙাং কয়ামরুম শিখ্রবা এন্সেফলাইটিস লাইচৎ মায়োক্নবদা ৱারবা হরিবন্সপুর খুঙ্গংগী শাওরবা খূঞ্জাশিংনা অসিগুম্বা অৱাবা তারবা মতমদা হন্না য়েঙবীরক্তবগীদমক ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) এম এল এ রাজকুমার শাহবু তানখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাশ পস্বান অমসুং রাজকুমার শাহ মাঙখ্রে হায়বগী পোষ্টরশিং খূঞ্জাশিংনা মফম পূন্নমক্তা থেৎখ্রবগী মতূং ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা নৌনা খনখিবা লোকেল এম পি কুমার পারসকা লোয়ননা রাজকুমার শাহনা খূঙ্গং অসিদা লাকখি।

মদুদা খূন অসিগী খূঞ্জাশিংনা রাজকুমার শাহগী মায়োক্তা খোল্লাওশিং লাওখিবতা নত্তনা মহাকপু তানখি।

পশুপতি কুমার পারসনা খূঞ্জাশিংদা হিদাক–লাংথক য়েনথোকখি অমসুং মখোয়দা পীবয়াবা মতেং পূন্নমক পীনবগী থাজবা পীখি, অদুবু মখোয়গী লোকেল এম এল এ রাজকুমার শাহ উবদা মখোয় শাওনীংখি অমসুং খূঞ্জাশিংনা থক্নবা ঈশিং ফাওবা ফংদবগী খুদোঙথিবা ফিভম মায়োক্নবা মতমদা মহাক কদাইদা লৈরুই হায়না হংখি।

পশুপতি কুমার পারসনা এ ই এস লাইচৎতা শিখ্রবা অঙাংশিং অদুগী ইমূং–মনূংশিংদা লূপা লিশিং ৫/৫ শু পীখি।

মহাক ঐখোয়গী এম এল এনি ঐখোয়গী অৱাবশিং অসি তাবীনবগী মহাক্কী মতম ফাওবা লৈতে। হকচিন্না লূরবা ফিভম অসিগী মঙোন্দা খংহল্লুনবা মীওই খরনা ময়ুম চৎলুবদা মচানুপানা থোঙজিন্দগী মখোয়বু তাম্থোক্লকখি হায়না খুঞ্জা অমনা হায়খি।

হরিবন্সপুর খুঙ্গগী খূঞ্জাশিং অদুনা থাংজ নুমিৎতা মখোয়গী মথৌ তাবা মতমদা মখোয়গী মনাক্তা মশক উৎলদবগীদমক মখোয়গী এম পি অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পস্বান মফম কদাইদা লৈবগে হায়না থিনবগীদমক লূপা ১৫,০০০গী রিৱার্দ অমা লাওথোকখিবনি।

মখোয়না লোকেল এল জে পি এম এল এ অদু ফংনবগীসু লূপা ৫,০০০গী এৱার্দ অমসু লাওথোকখিবনি।

# নোংলৈ–নূংশিৎতা তেক্থরকপা টেন্টনা নন্দুনা মীওই ১৪ শিখ্রে



***বারমের, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** রাজস্থানগী বারমের দিষ্ট্রিক্টতা লাইনিং–লাইশোনগী থৌরম অমা পাংথোক্লিঙৈদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা অকনবা নূংশিৎ শিৎলকপদগী খল্লিবা টেন্ট অদু তেকথরক্তুনা ননবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং ৫০ রোম হেন্না শোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী জাসোল এরিয়াদা লৈবা রানি ভতিয়ানি টেম্পলগী মনাক্তা স্কুল লম্পাক অমদা 'রাম কথা' থৌরম পাংথোকখিবনি।

মতম অদুদা নোং শাথিনা চুবগা লোয়ননা নূংশিৎ কন্না শিৎলকপদগী পন্দল অদু মরুফুক্না তেকথদুনা মখাদা ফল্লিবা মীয়াম অদু ননশিনখি। থৌরম অদুদা মীওই চা কয়া তিনখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে অমসুং ৫০ রোম শোকখ্রে। শিখিবগী মরমশিং অদু পোষ্ট–মোর্টেম মতূংদা অশেঙবা খঙ্গনি হায়না বালোতরাগী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রতন লাল ভরগবানা হায়খি।

খুদোঙথিবা তারবা মীওইশিং অদু কন্ননবা চেনশিল্লকপা খূল অদুগী মীওইশিং অদু পন্দল অদুগী ষ্ট্রকচর অদুদা ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওখি। অদুম ওইনমক মখোয়না মনূংদা ননশিনখ্রিবশিং অদু রেস্ক্যু তৌখি অমসুং লনাই গারিশিং অমসুং মিনিভেনশিংদা হাপ্তুনা হোস্পিটালশিংদা পুখৎখি হায়না থৌদোকশিং অদু উহৌবা দুকান্দর অমনা হায়খি।

থৌরম অদু রানি ভতিয়ানি মন্দির সনস্থাননা শিনবনি। মদু থাংজ নুমিৎতগী হৌখি অমসুং জুন ৩০ ফাওবা পাংথোক্কদবনি। থৌদোক অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোক্লকখ্রে। রাজস্থান চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনা জয়পুরদগী ফিভম অদু য়েঙশিনখ্রে। শোক্লবশিংদা লায়েঙনবা অমসুং তেঙবাংগী থবক ফজনা পাংথোক্নবা ওফিসিয়েলশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর অশোক গেহলোতনা শিখিবশিং অদুগী অৱাবা তাহৌরবা ইমূং–মনূংশিংগা উন্নখ্রে। ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর রঘু শর্ম, রেভিন্যু মিনিষ্টর হরিশ চৌধরি, ইনর্জি মিনিষ্টর বি দি কাল্লা অমসুং অতৈ কয়ামরুমগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর গেহলোতনা জাসোল খূঙ্গংদা লাকখি অমসুং থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদুদা লৈ কৎতুনা ঈকাইখুম্নবা উৎখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এগ্রিকলচর অমসুং বারমের এম পি কৈলাশ চৌধরিনা অশোকপশিংগী ফিভম অদু য়েঙশিন্নবা হোস্পিটালশিংদা চৎখি।

# বি জে পিনা গুন্দাশিং পুশিল্লক্তুনা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনগুম থবক তৌরি ঃ ত্রিনামুল




***কোলকতা, জুন ২৪ (এজেন্সি)ঃ*** বেঙ্গলবু পাকিস্তান ওন্থেক্লবা হোৎনৈ হায়না ত্রিনামুল কোংগ্রেসপু মরান শিখিবা পার্টি অদুদা পাউখুম হল্লদুনা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ভারতিয় জনতা পার্টি (বি জে পি)বু ৱেষ্টবেঙ্গলদা তাংদু–লৈতাদবগী ঈরাং শন্দোক্লবা অতৈ ষ্টেটশিংদগী গুন্দশিং পুশিল্লক্লি অমসুং টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগা মান্ননা থবক তৌরি হায়খ্রে।

বি জে পিনা ষ্টেট অসিগী শক্তি পায়নীংমনখিবনা হেন্দুনা ষ্টেট অসিদা কাংলূপকী হাৎন–শুনবা শন্দোক্লি হায়নসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লৈঙাক পায়রিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা বি জে পিগী মথক্তা মরান শীখি।

বেঙ্গলদা বি জে পিনা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগা মান্নবা লিচৎ চখরি হায়বসি লোক সভা মীখলশিংগী মতমদগী হৌনা ঐখোয়না হায়দুনা লাকখিবনি। ষ্টেট অসিদা ঈরাং থোকহন্নবা মখোয়না বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশতগী গুন্দাশিং পুশিল্লকপনি হায়না সেনিয়ার ত্রিনামুল কোংগ্রেস মিনিষ্টর অমসুং কোলকতা মেয়র ফিরহদ হাকীমনা কোলকতাদা পাউমীশিংদা হায়খি।

নোর্থ ২৪ পরগনাজ দিষ্ট্রিক্টকী ভাতপরা এরিয়াদা হন্দক থোকখিবা খূৎ থোক্লবশিং অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মিষ্টর হাকীমনা বেঙ্গোলিশিংবু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা তানখি হায়খি। ঐখোয়না ষ্টেট অপূন্বসি ভাতপরা ওন্থোহল্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রসনা ভাতপরাদা থোক্লিবা ৱাথোক লোয়শিন্নবগী অনীংবা অমত্তা লৈতে। ষ্টেট অসিদা মপূংফানা আইন লৈতবগী ফিভম অমা লৈ। মখোয়না জয় শ্রী রাম লাওবা য়াহল্লোইদবা পাকিস্তান ওন্থোক্লবা হোৎনরি হায়না বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোসনা হায়খি। ভাতপরাদা মীখল মতূংদগী য়েংথিনবা পার্টিশিং অসিগী মরক্তা হীংশা তোয়না থোক্লক্লি।

# ইরান টার্গেটশিংদা য়ু এসনা চখবা সায়বর এটেকশিং অমত্তা মায় পাকখিদে ঃ ইরান মিনিষ্টর



***লন্দন, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** পেন্টাগোননা ইরানগী রোকেট লোঞ্চ সিষ্টেমশিং য়াহন্দনবা মতম কুইনদগী থৌরাং তৌরকখিবা সায়বর এটেক তৌখ্রে হায়বা পাউশিং লাকখ্রবগী নুমিৎ খরনিগী মতূংদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী টেলিকোমস মিনিষ্টরনা য়ু এস সায়বর এটেকশিং অদু অমত্তা মায় পাকখিদে হায়খ্রে।

হান্নগী ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েলশিংগী ৱাফম পল্লদুনা মতম শাংনদগী থৌরাং তৌরকখিবা সায়বর এটেক অমা পেন্টগোননা তৌখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিৎতা য়াহু ন্যুজনা হায়খি।

সায়বর এটেক অদুনা ইরানগী রোকেট লোঞ্চ সিষ্টেমস য়াহনখিদ্রে হায়না ৱাসিংটন পোষ্টনা থাংজ নুমিৎতা হায়খি। অদুবু সোসিয়েল নেটৱার্ক ত্বিটরদা ইরানগী ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেন্সস টেক্নোলোজিগী মিনিষ্টর মোহম্মদ জবাদ জহারোমিনা মখোয়না য়াম্না কন্না হোৎনখি অদুবু মায় পাকপা এটেক অমা চখবা ঙমখিদ্রে হায়খি।

ইরানগী মায়োক্তা সায়বর এটেকশিং তৌখি হায়বদু অচুম্বরা হায়না মেদিয়ানা হংলকখিবদা ইরান মিনিষ্টরনা হৌখিবা চহীদা ঐখোয়না নেসনেল ফয়ারৱালগা লোয়ননা এটেক মিল্লিয়ন ৩৩ ন্যুট্রেলাইজ তৌখ্রে হায়খি।

নবেম্বর ২০০৭দা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার ফেসিলিটিশিংদা টার্গেট তৌরকখিবা, ইন্দষ্ট্রিয়েল মেছিনরিদা এটেক তৌবদা ভাইরস অমা শিজিন্নবগী মীয়ান্না খঙবা অহানবা খুদম 'ষ্টক্সনেট'কী ৱাফম পল্লদুনা ইরানগী কমপ্যুটর নেটৱার্কশিংদা তৌরকখিবা এটেকশিং অদু সায়বর–টেরোরিজমনি হায়না অজারি জহরোমিনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইজরেলনা পুথোকপনি হায়না পাকশন্না থাজনরিবা 'ষ্টক্সনেট'অদু ইরানগী নতাঞ্জ সিটিদা লৈবা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট ফেসিলিটি অমদা এটেক তৌবদা শিজিন্নরকখিবগী মতূং ২০১০দা খঙবা ঙম্লকখি।

নাকন অমরোমদা ৱাসিংটননা টেহরানবু সায়বর এটেকশিং হেনগৎলকপগী মরান শীখি। ইরান গভর্ণমেন্টকা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পান্দম থমদুনা সায়বর এক্টিভিটি চখবা হেনগৎলকপা অমা ওফিসিয়েলশিংনা খঙবা ঙমখ্রে হায়না য়ু এসকী দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সিক্যুরিটিগী সায়বরসেক্যুরিটি এজেন্সিগী দাইরেক্টর ক্রিস ক্রেবসনা ত্বিটরদা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

# ষ্টেট থুগাইনবা হোৎনবগীদমক ভিয়েৎনামনা অমেরিকান অমা জেলদা চহী ১২গী চৈরাক পীখ্রে



***হানোই, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** ভিয়েৎনামদা সুপ্নগী নোংমগী তঙ্খাই অমতমক শাংনা চখবা ৱায়েল অমদা ষ্টেট থুগাইনবা হোৎনবগী মরান ফংলবা তূংদা ঙসি য়ু এস সিটিজন অমবু জেলদা চহী ১২গী চৈরাক পীখ্রে।

মায়কেল ফুওং মিনহ ঙুয়েং, ৫৫না মরান অদু য়াখি, অদুবু মাগী ইমূং মনূংগা অমুক হন্না পূন্না লৈমিন্নবা মঙোন্দা পীরিবা চৈরাক অদু হন্থবীনবা হায়জখি হায়না হো চি মিন সিটি কোর্ট অদুদা ৱায়েন চখবা অদু লোয়রবা তূংদা মাগী উকিল ঙুয়েন ভান মিয়েংনা টেলিফোনদা রোইটরসতা হায়খি।

প্রোটেষ্টশিং তৌনবা ভিয়েৎনামগী মীয়ামদা ইনশিনবা অমসুং হানোই অমসুং হো চি মিন সিটিদা মোলোটেপ কোকটেলশিংনা এটেক তৌনবা হোৎনবগীদমক মহাকপু মরান শীখিবনি হায়রি।

ভিয়েৎনামদা পোকখিবা ঙুয়েননা অঙাং ওইরিঙৈদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈখ্রবনি। মহাকপু গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা থবক তৌবগী চীংনবগী মরানদা জুলাই ২০১৮দা ভিয়েৎনামদা ফাখিবনি হায়না মাগী মবাই রোবার্টসনা হায়খি।

কোর্ট অসিনা চপ মান্নবা মরান অসিগীদমক ভিয়েৎনামিজ মীওই ২বুসু জেলদা চহী ৮ অমসুং চহী ১০গী চৈরাকশিং পীখ্রে। মখোয়গী জেলদা চৈরাক ওইনা লৈবগী মতম লোয়রবা তূংদা চহী ৩ হাউস এরেষ্টতা থমখিগনি। মখোয়গী পান্দমদি ভিয়েৎনামদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং অদু মুথৎপা অমসুং গভর্ণমেন্ট থুগাইনবা হাৎন–শুনবগী ঈরাংশিং থোকহনবনি হায়না মখোয়গী মথক্তা থাঙ্গৎপা চার্জসিট অদুনা হায়খি।

# য়ু এস–ইরান ৱাথোক খন্ননবা য়ু এসকী মাইক পোম্পিওনা সাউদি লূচিংবশিং উন্নখ্রে



***জেদ্দাহ, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা টেহরানগী মথক্তা অনৌবা সেঙ্কসন্স থমগদবগী মাঙওইননা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাউদি লূচিংবশিং উন্নখ্রে। ইরানগা তৌনবা ইন্টরনেসনেল ন্যুক্লিয়ার দিল অমদগী ৱাসিংটননা তোকথোক্লকখিবগী মরমনা থোকহল্লকখিবা মুক্নবা অমদগী য়ু এসনা টেহরানগী মথক্তা অনৌবা সেঙ্কসন্সশিং থমজিন্নবা হোৎনরকখিবনি।

য়ু এস অমসুং ইরান অনীমক্না মখোয় লান তৌনবগী ফিভম অমদা তাহনখিবা পামদে হায়, অদুবু অমেরিকান দ্রোন অমা টেহরাননা কাপথখিবা অমসুং গল্ফকী ঈশিং লমদমশিংদা ওইল টেঙ্করশিংদা কনাননো খঙদবা, মফম–মরাং খঙদবা এটেক কয়মরুমগী থৌদোকশিং অদুনা উংখৎনবা ৱাংখৎলকখিবদগী অতন্নবা অনীংবা নৎত্রবসু লান থোক্লকপা য়াবগী মীপাইনবা হেনগৎহনখ্রে।

অনৌবা অমেরিকাগী সেঙ্কসনশিংনা ইরানদা শাফু অমত্তা লৈরোই হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খিবা ইরানগী মায়োক্তা অকনবা য়ু এসকী থবক অমা চখনবা সাউদি অমসুং ইমিরেট লূচিংবশিংনা তকশিল্লি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট পোম্পিওনা রেদ সিদা লৈবা সিটি জেদ্দাহদা সাউদি নিংথৌ সলমান অমসুং ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মেদ বিন সলমানগা উন্নখ্রে। মসিগী মতূংদা মহাক্না য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসতা ৱারী শান্নবগী মীফম পাংথোক্কনি।

ইরাননা ওইরিবা শীংনবগী ফিভম অসিদা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ু এ ইবু অচৌবা খোঙলোই অনীনি হায়না পোম্পিওনা শীংথাখি।

# থোং নীংখাইবদা ট্রেন গুরুং চৎখ্রে, মীওই ৪ শিখ্রে

***ধাকা, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** বংলাদেসতা ঙসি কোনূং ধাকাদগী কিলোমিটর ৩০০ লাপ্পা কলাওরাদা এক্সপ্রেস ট্রেন অমনা লাল্লকপা থোং অমা নীংখাইবদা দাবা ৫ গুরুং চৎখ্রে, মদুগী মনূংদা দাবা ১ ঈশিংদা তাশিনখ্রে অমসুং মীওই ৪ শিখ্রে, ১০০না শোকখ্রে।

তাশিনখ্রবা ট্রেন দাবাশিং অদুদগী অশিবা অমসুং অশোকপাশিং লৌথোক্লবা হোৎনবদা মফমদুগী মীওইশিংসু য়াওশিন্দুনা মতেঙ পাংখি হায়না রাশিদুল হাসন কৌবা পুলিস সুপরিন্টেন্দেন্ট অমনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা ধাকাদগী অৱাং–নোংপোক্তা চেনবা ট্রেন সার্ভিসশিং লেপখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

# এয়ারপোর্ট দ্রোন এটেক্তা ১ শিখ্রে

***রিয়াধ, জুন ২৪(এজেন্সি)ঃ*** খা থংবা সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা সিভিলিয়ান এয়ারপোর্ট অমদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা য়েমেন রিবেলশিংনা দ্রোন এটেক চখরকপদা মীওই ১ শিখ্রে অমসুং ৭ শোকখ্রে। সিভিলিয়ান পেসেঞ্জর লিশিং কয়া নুমিৎ খুদিংগী শিজিন্নরিবা অভা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মিলিসিয়ানা এটেক অদু চখরকপনি হায়না মিলিটরি কোলিসননা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-162**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | 1 | | | 5 | | 2 |
| 5 | | 2 | | 4 | | | 9 | |
| 9 | | 1 | 2 | | | 7 | | |
| | 2 | | | 5 | | 4 | | 9 |
| | 9 | | | 6 | | | 2 | 7 |
| | 7 | | | | 3 | 1 | | |
| 4 | | 6 | | | 9 | | | |
| 2 | | | 4 | | | | | 5 |
| | | | | 1 | 2 | | 4 | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas**
Booking : 29/05/19
Sl. No. : 5115
Valid : 27/05/19
Sl. No. : 4160
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Yairipok Gas Service**
Booking : Up to Date
Valid : 13/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19kg & 5kg Avail
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalakmi Indane**
Booking : 22/06/19
Valid : 15/06/19
Sl. No. : 263605
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**G B D Indane**
Booking : 04/06/19
Valid : 08/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 212/06/19
Valid : 14/06/19
Sl. No. : 37990 to 38476
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Jemon Gas Service**
Booking : 09/05/19
Valid : 13/04/19
Sl. No. : 59350
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**M M Gas Service**
Booking : 11/06/19
Valid : 06/06/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**সনা–সুদোকু – ১৬১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 5 | 7 | 9 | 1 | 6 | 3 | 4 |
| 1 | 4 | 6 | 5 | 3 | 2 | 9 | 7 | 8 |
| 3 | 7 | 9 | 6 | 4 | 8 | 1 | 2 | 5 |
| 6 | 8 | 4 | 9 | 2 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 9 | 3 | 1 | 4 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 |
| 7 | 5 | 2 | 3 | 1 | 6 | 4 | 8 | 9 |
| 2 | 6 | 8 | 1 | 5 | 4 | 3 | 9 | 7 |
| 5 | 9 | 7 | 8 | 6 | 3 | 2 | 4 | 1 |
| 4 | 1 | 3 | 2 | 7 | 9 | 8 | 5 | 6 |